# সোমালিয়াগী রেষ্টোরেন্টদা অল সেবাবকী কাঙবুনা এটেক তৌখ্রে

## নান্থোক্লবা চেনবা মীশিংদা বোম পোকখায়হনখ্রে, মীচম ১৯ হাৎখ্রে



ৱাশিংটন, জন্যুৱারী ২২ ঃ
সোমালিয়াগী কেপিটেল মোগাদিসুগী সিসাইদতা লৈবা মীয়াম্না পাম্নবা রেষ্টোরেন্ট অমদা ইস্লামিষ্ট সেবাবকী মিলিটেন্টশিংনা এটেক তৌদুনা মীওই ২০ লোম হাৎখ্রে। এটেক অদু অহানবদা খুৎলাই পায়বা মীওই মঙানা বোম অমা পোকখায়হন্দুনা হৌখি হায়না পুলিস অমসুং থৌদোক অদুবু উহৌবশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

মখোয়না নুপী অমসুং অঙাংশিং য়াওনা মীওই ২০ লোম হাৎখি হায়না সোমালি পুলিস ওফিসর মহমদ অব্দিরহমননা হায়খি। মহাক্না মদু মরাল লৈজদবা মীচমশিংদা চথুবা ৱাখল য়াওদবা তমথীবা এটেকনি হায়না ফোঙদোকখি।

মোগাদিসুগী লিদো বিচ এরিয়াদা বিজনেসকী মীওইশিং অমসুং মপানদগী ময়ুম লৈবাক্তা হল্লকপা দাইজপোরা সোমালিশিংনা পাম্না চঙনবা মফম কয়া য়াওনা মী চিনবা রেষ্টোরেন্ট কয়া কুঙনা লৈ। অহৌবা মখোলগা লোয়ননা বোম অমা পোকখায়হল্লবা মতুংদা খুৎলাই মতিক চানা পায়বা গনমেনশিংদু মী ময়াম নুমিদাংগী চাকলেন চানবা হোৎনরিবা মফম অদুদা থোমজিনখিবনি হায়রি।

চয়োল লোইশিল্লকপগী নুমিদাং অথেংবদা মখোয়না মফম অসিবু খন্দুনা এটেক তৌরিবসিনা তাকপদি সেবাব লালহৌবশিং অদুক্কী মতিক মীনুংশি লৈতে হায়বনি হায়না অব্দিরহমননা মখা তাখি।

মখোয়না মীচম খরগসু হাৎনবা হোৎনখি তৌইগুম্বসুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা হোৎনদুনা মীশিংবু কলহৌখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। অল-কাইদাগা মরী লৈনবা সেবাবনা এটেক অদু ক্লেম তৌখি। থৌদোক অদুদা মিলিটেন্ট মরি হাৎখি অমসুং অমনা ফাখি।

গ্রুপ অদুগী রেদিও অব্দুলাসতা ফোঙদোরকখিবা অমদা মিলিটেন্টশিংনা হায়খি মদুদি, মুজাহিদিন ফাইটরশিংনা লিদো বিচতা এটেক চথখ্রে। মদু অলাহগী য়েক্লবশিংগী মায়োক্তা চথুবা অচৌবা ওপরেসন অমনি।

সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা সেবাবকী মিলিটেন্ট মরি কাপ্পুনা হাৎখ্রে হায়না সিক্যুরিটি মিনিষ্টর অব্দিরাজক ওমার মহমদনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মতুংইন্না সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা এটেক অদু লোইশিন্নবা বিল্ডিং অদুদা চঙশিনখি লোয়ননা খুৎলাই পায়বা অমসু ফাখি।

থৌদোক অদুদা হিংহৌবা মীওইশিংনা মিলিটেন্টশিং অদু মখুৎতা ওটোমেটিক খুৎলাইশিং পায় অমসুং মখোয়না রেষ্টোরেন্ট অদুদা অতৎ-অথম লৈতনা নোংমৈ কাপখি হায়খি। মখোয়না মীচমশিংদা এটেক তৌবা মতমদুদা অব্দিরহমন হালানিসু রেষ্টোরেন্টদুগী মনাক্তা লৈখি। মীওই খরদি রেষ্টোরেন্টদুদগী চেন্থোক্লবা হোৎনরিঙৈদা বোম পোকখায়হন্দুনা হাৎখিবনি হায়না মীওইশিং অদুনা ফোঙদোকখি।

খুৎলাই পায়বশিংদু মীয়াম্না পাম্নরবা লিদো সি ফুদ রেষ্টোরেন্ট অদুদা মনিংথোঙলোমদগী ফাওরগা চঙলকখি অমসুং নোংমৈ কাপ্পা হৌখি। মিনিট খরা লৈরগা মীশিংনা চেন্থোক্লবা হোৎনরিবা মমাঙগী গেটতা অচৌবা বোম অমা পোকখায়খি হায়না হালানিনা হায়খি।

মফম অদুদা মথোং মরম খঙদবা ফীভম লৈখি, মীপুং খুদিংমক মীপাইনখি অমসুং মখোয় খরদি খুৎলাই পায়বশিংদু তম্না চেনশিনখি অদুবু লোইনমক নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখি, ঐহাক লাইবক ফবদগী নান্থোকহৌখি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

থৌদোক অদুবু মমিৎমক্লা উহৌবা অতোপ্পা মীওই অমনা মীচম খরদি মখোয় য়াম্না হৌখিবা বোম পোকখায়বা অদুদা শিখি অমসুং অতৈনা নোংমৈনা মশাদা থম্মগা কাপ্পুনা হাৎখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

হুশৈইন অলি কৌবা মীওই অমনা অসুম্না ফোঙদোকখি, মফম অসিদা মথোং মরম খঙদনা চরাংনবা ফীভম অমা লৈরে, মী কয়া শিরে, ঐহাক্না এটেক অদুদা হাৎখিবা মীওই ১৯গী অশিবা হকচাংশিং উরে, অশিবশিং অদু অমাঙ-অতা থোক্লবা রেষ্টোরেন্ট অদুদগী মপান্দা পুথোরকপদা ঐহাক্না উহৌবনি।

মীওই খরদি চেল্লিঙৈদা বোম পোকখায়রক্তুনা শিখি অদুগা খরনা অনকপা রেঞ্জদগী কাপ্পুনা হাৎখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মালেমগী লৈবাকশিংনা শৌগৎপা মোগাদিশুগী গভর্ণমেন্টবু চিংথুনবা হোৎনরিবা ইস্লামিষ্ট সেবাবনা কেপিটেলদা তোইনা এটেক তৌই হায়রি।

হৌখিবা চয়োলদা লালহৌবশিংনা সাউথৱেষ্ট সোমালিয়াদা লৈবা কেনয়ান আর্মিগী বেজ অমদা এটেক তৌখি। মদু ইস্লামিষ্ট লালহৌবশিংনা সোমালিয়াদা লৈবা এয়ুগী মিসনদা চথুবা এটেকশিংদা খ্বাইদগী নৌবা এটেকনি।

সেবাবকী ষ্টেটমেন্ট অমনা মিসন অদুদা বেজ তৌবা কেনয়াগী লান্মী ১০০ হেন্না হাৎলে অদুগা অতৈ কয়ানা ফারে হায়না ক্লেম তৌখি। কেনয়াগী মায়কৈদগীদি থৌদোক অদুদা লান্মী কয়া শিখিবগে, কয়ানা শোকখি অমসুং কয়া থিবা খঙদনা লৈ হায়বগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্তনা লৈরি হায়রি।

# ‘নোর্থ কোরিয়া য়াওদনা ন্যুক্লিয়রগী ৱারী শানবগী মতম ওইরে’





সিউল, জন্যুৱারী ২২ ঃ
নোর্থ কোরিয়া য়াওদ্রবসু ন্যুক্লিয়রগী ৱারী শানবা হৌগদবনি হায়না সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট পার্ক গ্যুনহাইনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

মমাঙদা দাইলোগকী খুথাংদা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র ইসু লৈখাই তানবা পার্টি তরুক্না ৱারী শানখিবদা কান্নবা ফংখি। তৌইগুম্বসুং, হৌজিক ৱারী শানবা মখা চথুবা লৈতবনা অমসুং ৱারী শানরবসু নোর্থ কোরিয়াবু ন্যুক্লিয়র খুৎলাই থাদোকহনবগী ৱাফমদা কান্নবা লৈহন্দবনা ৱারী শানবগী কান্নবগী মরমদা থোইদোক্না হায়নিংঙাই লৈত্রে হায়না প্রসিদেন্ট পার্কনা ফোঙদোকখি হায়না প্রসিদেন্টগী ওফিসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়রি।

সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্টনা নোর্থ কোরিয়াবু ন্যুক্লিয়র খুৎলাই থাদোকহন্নবগী মরমদা পায়খৎখিবা ৱারী শানবগী থবক লেপ্পুনা লৈবদা নুংনাংবা উৎপগা লোয়ননা হন্দক্তা নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং পাঙথোকখিবদু য়েংদুনা লৈবাক অসি য়াওদ্রবসু রিজনেল পৱারশিংনা মীফম পাঙথোকপা য়াই হায়খি।

নোর্থ কোরিয়াবু ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম তোকহল্লগা শেল-থুমগী মতেং পীবগী ৱাফমগী মতাংদা চথুখিবা লৈবাক তরুক্কী ৱারী শানবা কুমজা ২০০৮ গী দিসেম্বরদা ইকোন কোন্না পাঙথোকখিবদগী হৌজিক ফাওবা লেপ্পুনা লাকপনি। ৱারী শানবা লেপ্লিঙৈ মতম অসিদা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা খ্বাইদগী নৌবা চাংয়েং য়াওনা হৌজিক ফাওবদা পিয়োংয়াংনা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং অহুম পাঙথোকখ্রে। খ্বাইদগী নৌবা হৌখিবা জন্যুৱারী ৬ তা পাঙথোকখিবা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র চাংয়েং অদুনা লৈবাক অসিগী হাইদ্রোজেন বোম প্রোগ্রাম খুমাং চাউশিল্লক্লে হায়বগী অকিবা অমা লৈবাকশিংদা পোকহনখি।

নোর্থ কোরিয়াবু ন্যুক্লিয়র খুৎলাই থাদোকহন্নবগী ৱাফমদা ৱারী শানবদা য়াওখিবা লৈবাক তরুক অদুদি কোরিয়া অনী, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, চাইনা, রসিয়া অমসুং জপাননি। তোপ ওফিসলশিংগা উনবা অমদা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট পার্ক গ্যুনহাইনা হায়খি মদুদি, নোর্থ কোরিয়া য়াওহন্দবীদা লৈবাক মঙাগী মীফমগুম্বা অতৈ অতৈ পান্বৈশিং য়েংশিন্দুনা কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা লৈরিবা ন্যুক্লিয়রগী ৱাথোকসি লোইশিন্নবা হোৎনবগী মতম ওইরে। প্রসিদেন্ট পার্কনা মখা তাবা অকুপ্পদি ফোঙদোকখিদে।

লৈবাক তরুক্কী ৱারী শানবদু বৈজিংদা কুমজা ২০০৩ দগী হৌখি, তৌইগুম্বসুং তোইনা লেপ্পদনা মপুং ওইবা শক্তম ওইদুনা লাকখি।

ৱারী শানবদুনা মরম ওইদুনা নোর্থ কোরিয়ানা মতম অমদা খুৎলাই থাদোক্লবগী মরু ওইবা খোঙথাং কয়া লৌখৎনবা হোৎনখি তৌইগুম্বসুং মমৈথংদা ৱারী শানবদা য়াওরিবা লৈবাকশিংনা নোর্থকী প্রোগ্রাম অদু থিংবা ঙমখিদে।

মালেমগী লৈবাকশিংনা নোর্থ কোরিয়াগী শান্না পাইবা রোকেটকী চাংয়েং অমা কন্দেম তৌববু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা কুমজা ২০০৯ দা পিয়োংয়াংনা লৈবাক তরুক্কী ৱারী শানবদগী খোঙ থাংদোরকখি।

তুংদা নোর্থ কোরিয়ানা ৱারী শানবা অদুদা অমুক হন্না য়াওনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি। খোঙথাং অদু মপানগী এনালিষ্টশিংনা মালেমগী লৈবাকশিংগী মতেং ফংনবা অমসুং লৈবাক অদুগী কাংখৎপা ঙমদনা লৈরিবা শেল-থুমগী ফীভমদু অমুক হেন্না হিঙ্গৎহন্নবা পিয়োংয়াংনা হোৎনরকপা অমনি হায়না ফোঙদোক্লখি।

তৌইগুম্বসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং সাউথ কোরিয়াগী ওফিসলশিংনদি পিয়োংয়াংগী ঈঙ্গিৎ অদুবু য়াখিদে। মখোয়না ৱারী শানবা হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা ন্যুক্লিয়র খুৎলাই থাদোকপগী ৱাফম লুনা লৌই হায়বা উৎতুনা নোর্থ কোরিয়ানা তাংদাংবা মশক থোকপা খোঙথাং খরা অহানবদা লৌখৎকদবনি হায়খি।

প্রসিদেন্ট পার্কনা হৌদোক্লিবা লৈবাক মঙাগী ৱারী শানবগী ৱাফমদু কয়াম থুনা ওইগদৌরিবনো হায়বদি খঙবা ঙমদ্রি।

# প্রসিদেন্ট ওবামা অমসুং চান্সল্লর মার্কলনা রেফ্যুজী ক্রাইসিস খন্নখ্রে



ৱাশিংটন, জন্যুৱারী ২২ ঃ
রেফ্যুজিগী ক্রাইসিসকী মতাংদা য়ুরোপনা উৎলিবা থৌওংগী মরমদা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট বরাক ওবামা অমসুং জর্মন চান্সল্লর এঞ্জেলা মার্কলনা টেলিফোন্দা ৱা খন্নখ্রে হায়না হ্বাইট হাউসনা হায়রি।

লন্দনদা পাঙথোক্কদৌরিবা সিরিয়াদা মতেং পাংগদৌরিবা লৈবাকশিংগী কনফরেন্স অদু মালেমগী লৈবাকশিংবু সিরিয়াগী হ্যুমেনিটেরিয়ন ক্রাইসিস অদু লৈখাই তাথোকপা ঙমহন্নবগী মরু ওইবা তাঞ্জা অমা ওইগদৌরি হায়বসিদা লুচিংবা অনীনা ঙরাং টেলিফোনদা ৱারী শানবদুদা য়ানখি হায়না জিনহুৱানা হ্বাইট হাউসকী ষ্টেটমেন্ট অমা পল্লদুনা ফোঙদোক্লি।

প্রসিদেন্ট ওবামাগী মায়কৈদগী লাক্লিবা সেপ্টেম্বরদা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ু এন জেনরেল এসেমব্লিগা ইরোয়ননা মালেমগী লুচিংবশিংনা শরুক য়াগদবা রেফ্যুজী সম্মিট অমা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি হায়না মার্কলদা ফোঙদোকখি। অদুবু গ্লোবেল রেফ্যুজী সম্মিট অদুগী পান্দমদি মালেমগী রেফ্যুজীশিংদা অনৌবা কম্মিটমেন্টশিং পীবা অমসুং ফ্রন্টলাইন ষ্টেটশিংদা হেন্না মপুং ফাবা সপোর্ট ফংহনবনি।

লুচিংবা অনীনা লাক্লিবা থা কয়াদা লালনা মথোং-মরম খঙহন্দ্রবা মীওই মিলিয়ন কয়াবু ঙাকপী-শেনবীবদা মতেং ওইগদবা থবকশিং পায়খৎমিন্নবগী ৱাফমসু খন্নখি। য়ুক্রেনগী ক্রাইসিসকী মতাংদা প্রসিদেন্ট ওবামা অমসুং চান্সল্লর মার্কলনা মরী লৈনবা সাইদ খুদিংমক্না মিনস্ককী এগ্রীমেন্টশিংবু মপুং ফানা থবক ওইনা পাঙথোকপা থুজিন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না ফোঙদোক্লখি।

মখোয়না য়ুরোপ অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মরক্তা লৈরিবা শীংথানিংঙাই ওইরবা শেল-থুমগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবগী মরমদসু খন্নখি হায়রি।

# পাকিস্তানগী টালিবান কম্মান্দরনা মহৈ তম্ফমশিংদা মখা তানা এটেক তৌখিগনি হায়খ্রে

চারসাদা (পাকিস্তান), জন্যুৱারী ২২ ঃ
হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা পাকিস্তানগী অৱাং-নোংচুপ থংবা প্রোভিন্সতা লৈবা য়ুনিভর্সিটি অমদা চথুখিবা মীওই ২০ শিহনখিবা এটেক অদুদা শরুক য়াখিবনি হায়বা ফাইটর মরিগী ভিদিও ফুটেজ অমা পাকিস্তানগী সিনিয়র টালিবান কম্মান্দর অমনা ঙসি রিলিজ তৌখ্রে অমসুং তুংদসু স্কুলশিংদা এটেক কয়া লেপ্পুনা চথুখিগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখ্রে।

সিনিয়র টালিবান কম্মান্দরনা থাদোক্লিবা ভিদিও ফুটেজ অদুনা মরম ওইদুনা ৱাখল মান্নদবনা মরম ওইদুনা টালিবানগী লুচিংবশিং মচোই-মচোই তানরৱা হায়বগী চিংনবা ৱাহং কয়া লাক্লে হায়রি।

টালিবানগী ওফিসল স্পোক্সমেন্নদি য়ুনিভর্সিটিদা এটেক তৌখিবদু গ্রুপ অসিনা নত্তে হায়না ফোঙদোকখ্রবনি।

হৌখিবা য়ুমশকৈশাগী অয়ুক্তা মিলিটেন্টশিংনা চারসাদাদা লৈবা বাচা খান য়ুনিভর্সিটিগী চেকপলশিং কাখৎতুনা কেম্পসতা লৈবা ব্লোকশিংদা চঙশিন্দুনা অউ-অউবশিংদা নোংমৈ কাপখি। মখোয়না ওজা অমসুং মহৈরোয় ২০ হাৎখি। তুংদা আর্মি কম্মান্দোশিং অমসুং পুলিসনা মিলিটেন্টশিংদু হাৎখি।

য়ুনিভর্সিটিদা এটেক চথুখিবা নুমিৎতুগী নুমিদাংদা টালিবানগী স্পোক্সমেন মহমদ খোরাসানিনা থোকখিবা অইবা ষ্টেটমেন্ট অমদা এটেক অদুদা মহাক্কী গ্রুপ চেন্নদে হায়খি অমসুং থৌওং অদু ইস্লামগী মায়োক্তা ওই হায়না ফোঙদোকখি।

নুমিৎতুমক্তদা টালিবানগী ফেক্সন অমগী কম্মান্দর ওইরিবা উমর মান্সুরনা ফোঙদোকখিবদা, য়ুনিভর্সিটি অদুনা মহৈরোয়শিংবু গভর্ণমেন্ট অমসুং আর্মিদা য়াওহন্নবা হোৎনবগীদমক্তা মহাক্কী ফাইটরশিংনা কেম্পস অদুদা এটেক তৌখিবনি হায়খি। মান্সুর অসি মচেৎ তরবা পাকিস্তান টালিবান গ্রুপকী প্রোব্লেম কয়ানা লাঙ্গোই চল্লবা লুচিংবা মুল্লা ফাজলুলাগা নক্লবা মীশক্লিহায়না লৌনৈ।

ওফিসল স্পোক্সমেন অমসুং মান্সুরগী মরক্তা খেন্নবা ক্লেমশিং লৈরিবদুগী মরম খুদক্কী ওইনা শেংনা খঙবা ঙমখিদে তৌইগুম্বসুং লৈরিবা ফীভম অদুনা টালিবানগী লুচিংবশিংগী মরক্তা মচেৎ তানরৱা হায়বগী চিংনবা পোকহল্লে হায়রি।

ঐখোয়না হৌজিক কেন্টনমেন্টদা লৈবা লান্মী হাৎলোই, কোর্টতা লৈবা এদভোকেট নৎত্রগা পার্লিয়ামেন্টদা লৈবা পোলিটিসিয়ন হাৎলোই তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না হাৎকদবদি মখোয়বু শেল্লিবা মফমশিং হায়বদি মখোয়গী য়ুম্ফম ওইরিবা স্কুলশিং, য়ুনিভর্সিটিশিং, কোলেজশিংদনি হায়না মখদাংদা মকোই খাকপা মান্সুরনা ভিদিও অদুদা মখুৎ ৱাংনা থিল্লদুনা হায়খি। লাইগী থৌজালগা লোয়ননা মখোয়না য়ুনিভর্সিটি অমসুং স্কুল খুদিংমক্তা মখা তানা এটেক তৌখিগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ভিদিও অদুনা চারসাদাগী এটেক অদু পাঙথোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা চথুখিবা মখোয়গী ট্রেনিংগী শরুক অমা ওইনা এটেক্কর ৪ না নোংমৈ কাপ্পা প্রেক্টিস তৌবগী শক্তমসু উৎখি। মখোয় মরিদুগী মনুংদা অনীদি চহী ১৪, ১৫ রোমগী লেঙ্গাশিং ওই হায়রি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৪গী দিসেম্বরদা নোর্থ ৱেষ্টর্ন সীটি পেশৱারদা লৈবা মিলিটরিনা য়েংশিনবা স্কুল অমদা টালিবান লালহৌবশিংনা এটেক তৌদুনা অঙাং ১৩৪ পুল্লপ ওইনা হাৎখ্রবা মতুংদা পাকিস্তানি ওথোরিটিনা টালিবানগী মথক্তা অকনবা থবক কয়া পায়খৎলকখিবগা লোয়ননা লালহৌবশিংনি হায়না চিংনবা মীওই চা কয়া হাৎখি। অদুগা চিংনবা কয়া ফগৎখি।

পেশাৱারগী স্কুলদা এটেক তৌখিবা অদুনা পাকিস্তাননা অফঘানিষ্টানগা তঈনবা ঙমখৈ পরিংদা লৈবা টালিবান লালহৌবশিং থেংননবা লৌখিবা ফিরেপ অমুক্কা হেন্না চেৎশিনহনখিবনি। পাকিস্তানগী টালিবাননা কাবুলদা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট চিংথুরগা ইস্লামিক লোগী হকচিনবা ৱাহন্থোক্তা য়ুম্ফম ওইবা লৈঙাক অমা লিংবগী পান্দমদা লাল হৌরিবনি।

# হি লাকপদা অঙাং য়াওনা রেফ্যুজী ৪৪ শিরে

এথেনস, জন্যুৱারী ২২ ঃ
ঙসি অয়ুক গ্রীক্কী ঈথৎ কালোলিমনোসকী অৱাং থংবদা উগী হি অমা ঈশিংদা লাকশিনখিবদগী অঙাং ২০ য়াওনা য়ামদ্রবদা রেফ্যুজী ৪৪ ঈরাক্লদুনা শিখ্রে হায়না কোষ্টগার্দকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে। নিংথম থাগী অঙৗংবা মরক্তা রেফ্যুজীশিংনা য়ুরোপ্তা চঙশিন্নবা লেপ্তুবগা লোয়ননা ঙসিগী থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়রি।

অঙাং ১৭, নুপী ১৭ অমসুং নুপা ১০গী অশিবা হকচাংশিং ঈশিংদগী লৌখৎলে অমসুং মীওই ২৬ না রেস্ক্যু তৌদুনা ঈথৎ অদুদা পুরক্লে হায়না গ্রীক কোষ্টগার্দ ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

মখোয় উগী অপিকপা হি অমা হোল্লগা লাকখিবনি। হি অদুদা পুন্না মী কয়া তোংলকখিবগে হায়বা ঐখোয়না হৌজিক ফাওবদি হায়বা ঙমদ্রে হায়না মহাক্না হায়খি।

টর্কিগী ঈশিং খোংবান মনাক নক্না সাউথ ইষ্টর্ন এজিয়ন সীদা লৈবা অপিকপা ঈথৎ অমা ওইরিবা কালোলিমনোসকী মনাক্তা মী থিবা অমসুং কনবগী থবক চথুরি হায়না ওফিসল অদুনা ফোঙদোকখি।

ভেসেল অদু করম্না ঈশিংদা লাকখ্রিবনো হায়বসি খঙবা ঙমদ্রি হায়না কোষ্টগার্দ ওফিসল অদুনা মখা তাখি। লালনা মরম ওইদুনা চহী অসিদা অয়াম্বনা সিরিয়ন রেফ্যুজীশিং ওইবা মীওই লিশিং কয়ানা অপাকপা ঈশিংগী ঈথক-ঈপোমগা কীদবীদা টর্কিদগী গ্রীসকী ঈথৎশিং য়ৌনবা হোৎনখি। মখোয়না গ্রীসকী ঈথৎশিং য়ৌরবা মতুংদা মখা তানা গ্রীস মপুং লমদা চঙশিল্লগা মফমদুদগী অৱাং পাংনা খরা ইনাক খুনবা নোংচুপ য়ুরোপকী লৈবাকশিংদা চঙশিন্নবা হোৎনবনি হায়রি।

# জপানসু ইরানগী মথক্তা থল্লম্বা অথিংবশিং লৌথোক্লগনি হায়রি

টোকিয়ো, জন্যুৱারী ২২ ঃ
হন্দক্তা ইরানবু ন্যুক্লিয়র খুৎলাই শাহন্দনবগী মরু ওইবা দিল অমা লোইশিন্নখিবগী মতুং তারকপদা লাকপা খোঙথাং অমদা ইরানগী মথক্তা থল্লম্বা অথিংবশিং লৌথোকপগী ৱাফম জপানিজ কেবিনেটনা য়াখ্রে।

হান্নদগী ঙাইনদুনা লাকপা খোঙথাং অদুনা জপানিজ কম্পনিশিংবু ইরানগী থাউ অমসুং গ্যাস ইন্দষ্ট্রিদা শেল-থুম্ন চিংবা থাদবা য়াহল্লগনি হায়রি।

চীফ কেবিনেট সেক্রেটরি য়োসিহিদে সুগানা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, গভর্ণমেন্টনা হৌজিক্তি ইরানগী থাউ অমসুং গ্যাসতা ইনভেষ্ট তৌবদা কম্পনিশিংগী মথক্তা অথিংবা কয়া লৈরম্বদু লৌথোকখ্রগনি।

ন্যুক্লিয়র নন-প্রোলিফরেসন চৎনহনবদা অমসুং মিদ্দল ইষ্টতা তংদু লৈতাবগী ফীভম লৈহনবদা মতেং ওইগদৌরিবা ইরানগী ন্যুক্লিয়র ইসু অসিগী অরোইবা এগ্রীমেন্ট অমা থবক ওইনা পাঙথোকপদা ঐখোয়না মখা তানা শৌগৎকনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

ন্যুক্লিয়র দিল অদুগী মখাদা লৈবা ৱাফম খুদিংমক ইরাননা ঙাক্লে হায়না য়ু এননা হৌখিবা চয়োলদা সার্টিফাইদ তৌখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুগী মথক্তা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা মতম শাংনা অথিংবা কয়া থল্লকপদু লৌথোকখি।

# ৱাশিংটন দি সী পাংনা নুংশিৎ শিৎলকখ্রে

ৱাশিংটন দি সী, জন্যুৱারী ২২ ঃ
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী কেপিটেল ৱাশিংটন দি সী অমসুং নোংপোক থংবা কোষ্টকী মফম কয়া উন্না ইঞ্চি ৩০ থানা কুপশিনখিবা য়াবগী মওংদা উন পুবা মপাঙ্গল লৈরবা নুংশিৎ অমা লমদম অদু তম্না শিৎচিল্লক্লে হায়রি। অরকান্সাস, টেন্নেসী অমসুং কেন্টাকি ফাওরক্লবা মতুংদা অকনবা নুংশিৎ অদু ৱাশিংটন দি সী পাংনা শিৎলক্কদৌরিবনি।

নেসনেল ৱেদর সার্ভিসনা ফোঙদোকখি মদুদি, ইরাই নুমিৎকী নুংথিলদগী বাল্টিমোর অমসুং ৱাশিংটনদা ফুট অনী থাবা উনগী মরোল অমা শেল্লক্কদৌরিবসি য়েংদুনা নুংশিৎ অদুনা নোর্থ ইষ্টকী মফম কয়াদা মীশিংগী নুংতিগী থবক ইনখাংশিংদা চাউনা অকায়বা পীগদৌরি।

ঐহাক্না মীপুং খুদিংমক্তা খঙহনবা পামই মদুদি মসি অচৌবা নুংশিৎ অমনি হায়না লৈবাক্কী (য়ু এসকী) কেপিটেল অপুম্বদা মীশিংনা মফম অদুগী পুৱারীদা খ্বাইদগী শাথীবা নুংশিৎশিংগী মনুংদা অমা ওইবা য়ারিবা উন পুবা নুংশিৎ অদুগীদমক্তা শেম শাদুনা লৈনরিঙৈদো ৱাশিংটনগী মেয়র মুরিয়ল বোজরনা ফোঙদোকখি।

মসি শিবা অমসুং চংবগী ৱাফম য়াওবা ফীভম অমনি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ওফ কলম্বীয়াগী মীশিংনা মসিমক খনগদবনি হায়না মেয়র বোজরনা মখা তাখি।

অকনবা নুংশিৎ অদু শিৎপা লোইখ্রবা মতুংদা চয়োলমুক মথৌ চিনখিগনি হায়না পানরিবা দিষ্ট্রিক্ট ওফ কলম্বীয়াগী ওফিসলশিংনা ইমর্জেন্সি ৱার্করশিং নৎতবা অমত্তা লম্বীদা লৈরোইদবনি হায়না খঙহনখ্রে।


শরুক য়াবীয়ু!! শরুক য়াবীয়ু!!

ꯑꯄꯨꯟꯕꯥ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯇꯨꯡꯂꯃꯆꯠꯀꯤꯗꯃꯛ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯈꯣꯡꯆꯠ

অপূনবা মণিপুরগী তুংলমচৎকীদমক মীয়ামগী খোঙচৎ

- মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম থুগাইবা য়ারোই।
- ভারত সরকারনা মণিপুরগী পুৱারী খঙঙু।
- ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসি লেপ্পু।
- ফুরূপকী ওইবা ৱাখল্লোন থাদোক্লদুনা অপূনবগী শক্তম চেৎশিলহনসি।
- চীংমী-তম্মী ঐখোয় ইমা অমত্তগী মচানি।

ফেব্রুৱারী ০৬,২০১৬ (থাংজ)
মীয়ামগী খোঙচৎ হৌফম : থাও লম্পাক, থাংমৈবন্দ
মতম: অয়ুক পুং ৯:০০ তাবদগী হৌবা।
মীয়ামগী খোঙচৎ থুংফম : খুম্মন লম্পাক
*শিঞ্জ-লাংজরিবা :*
ওর্গনাইজিং কম্মিটি মাস রেল্লি ফোর দ কম্মন ফ্যুচর ওফ মণিপুর
অমুকো, সী সী এস কে অমসুং য়ু সী এম
HL-C/0018/23 Jan.- to 05 Feb. Alt.



সাহিত্য একাদেমি

ভারত সরকারগী নাৎকী ওইবা মিনিষ্ট্রিগী মখাদা ষ্টেনোগ্রাফর গ্রেদ - II গী অহাঙবা ফমগীদমক রিজনেল ওফিস, কোলকাতাগীদমক এপ্লিকেসন কৌজরি।
পোষ্ট মশীং ঃ অমা (ও. বি. সি)
পে স্কেল ঃ PB 1/5200-20200/GP-2400
মহৈগী থাক অমসুং অতৈ ক্বালিফিকেসনশিং ঃ
মরু ওইবা (ইসেন্সিয়েল) ঃ
(১) শকখঙলবা বোর্ড অমদগী 10+2
(২) শোর্ট হেন্দদা 80 w.p.m. য়াঙবা অমসুং ইংলিস/হিন্দিদা টাইপিং খুৎলোয়বা।
(৩) কম্প্যুটর এপ্লিকেসন্দা খুৎলোয়বা ওইগদবনি।
চহীগী অকক্লবা ঃ চহী ৩০ ফাউবা (ভারত সরকারগী চৎনবীগী মতুং ইন্না কোমথোক কোমশিন লৈগনি)
সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট/ষ্টেট গভর্ণমেন্ট/নিংতম লূপ/শকখঙলবা মহৈশঙগী লুপশিংদা থবক তৌবশিংনা প্রোপর চেনেলদা হায়জ ৱারোল থাজিনগদবনি। খল্লবা কেন্দিদেটশিংনা ভারত্তা লৈরিবা সাহিত্য একাদেমিগী করিগুম্বা লোয়শঙ অমদা থাবদা ইনগদবনি।
একাদেমিগী ৱেবসাইটতা ফোঙখিবা অকক্লবা ফোর্মেটতা মেনশিল্লবা ফোর্মশিংদু Secretary, Sahitya Academi, Rabindra Bhavan, 35 Ferozeshah Road, New Delhi - 110001 দা য়ৌহনবীরক্কদবনি। এনভেলপকী মথক্তা "Application for the post of Stenographer Gr-II" ইবিদুনা পাউজেলসি ফোঙবগী নুমিৎ ৩০ নিগী মনুংদা এপ্লিকেসনদু য়ৌহল্লক্কদবনি। ঈ-মেলদা থারকপা এপ্লিকেসন লৌজরোই।
Website : http://www.sahitya-akademi.gov.in
HL-B/2917/23



Phicomm Mobiles which was available only at ONLINE STORES, now available at the market.
PHICOMM
(( YOUR PORTAL TO SMART LIFE ))
Launching
Phicomm Clue 630



4G Roaming Support
Speed up with the latest 4G LTE
Support Dual Micro SIM.
Support Mobile Data Service While Calling On The Phone.
4G
Only at Rs. 5699/-
* Android 5.1(LOLLIPOP)
* Ultra Compact, Ultra slim
* 5" FWVGA Display
* Qualcomm Quad-Core, Snapdragon Processor
* 5MP FF + 2MP
* 1GB DDR3 RAM+8GB ROM (Expandable to 64GB)
2300mAh
HL-B/2895/13/01-12/02



PUBLIC SCHOOL
NINGTHOUKHONG
ADMISSION OPEN FOR THE SESSION - 2016
( NURSERY TO X)
- Imparting Advance Education From Experienced, Dedicated & Dynamic Teachers
- Extreme Focus on National & International Level Competitions.
- Based on High Moral Discipline to achieve "leading by Example"
- Strong Ambition to "Impart Quality Education For a better Society"
- Brainobrain International is Introduced for children's Brain Skill Development
- Standard BOARDING Facilities for Boys & Girls (Class III-X)

Seats are limited
Classes commencing from 28th January, 2016
For detials pliz contact : 09856477527, 8415839030, 9856835356
HL-B/2915/22/01-6/02